HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ



মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) গী হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুর থিএটর নুমিৎতা শন্নাইরবা থিএটর পসনেলিটিশিংদা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা

খ্বাইদই মমল য়াম্বা লন
☛ লামায় ২

‘নুংশি লিচিং’ অমদি ‘চীংঙু নোংদম’ উৎখ্রে
☛ লামায় ৩

খোংমন জোন-টুদা নুমিৎ ৪৫নি চথগদবা ৱিভিং ট্রেনিং হৌদোকখ্রে
☛ লামায় ৫

পেন্সনর্স দে ২০২১ পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৬

মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসকী স্মার্ট স্কিমগী মখাদা শিল্পা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস, থোংজু পার্ট টুনা নুমিৎ ৫নি চূপ্পা চথগদবা ৱিভিংগী ট্রেনিং হৌদোকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎখিবা



Vol. 45, Issue No. 207 | ইরাই, মেরাগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, October 22, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# কোংগ্রেস লীদর ওক্রম ইবোবীবু ফাবা পূনবা তৌদনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

## এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ও ইবোবীবু ঙসি লাক্নবা কৌরম্লে হায় কোর্টনা দিরেক্টোরেটতা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইবদা নত্তনা পার্টি অসিগী লেজিসলেচর পার্টিগী লীদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফম অসি পুদুনা মণিপুর দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) কী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা লুপা ক্রোর ৩৩২গী শেনফম লান্না শীজিন্নখি হায়বগী চার্জদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ন্যু দেল্লী) না কেস অমা লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা ইম্ফালদা হাংদোকখ্রবা দিরেক্টোরেট ওফ এনফোর্সমেন্ট (ঈ দি) গী ইম্ফাল সব জোনেল ওফিসকী মায়কৈদগীসু মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) গীসু য়াল্লবা শেনফম অমা লান্না শীজিন্নখি হায়বগী চার্জদা অমুক্তসু অনীরকশুবা কেস অমা ঈ দিনা লৌখৎলকপগা মরী লৈননা মহাকপু থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা ফাবা পূনবা য়াওনা মহাক্কী মথক্তা অকনবা থবক অমত্তা লৌখৎতনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিরেক্টোরেট অসিদা দিরেক্সন পীখ্রে।

অহানবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ন্যু দেল্লী) না মহাক্কী মথক্তা লৌখৎখিবা কেস অদুদগী মহাক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল নম্বর ৪২ ওফ ২০২০ লৌদুনা লৈরকখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭




# ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট, পোভর্টি, অন-ইমপ্লোয়মেন্টদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগনি: কেবি

## ২১- নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী

### মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ

### ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ২১-নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা সোরাইশম ওংবি শগোলশেম নিঙোল কেবি (৩৪)না করি করম্না ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্না থবক তৌবা পাল্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী ‘মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোং’ হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা অখন্ননা ৱারী শান্নরুবদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায় -

**ৱাহং :** লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়দুনা ভোট লেপ্পগী ৱাখল ফাওরক্লিবসি করি করম্না ৱাখল্লোলদগী অমদি করি পেন্দবা লৈবদগীনো? ...মখা লামায় ৩ কলম ২



## পোষ্ট ওফিসতা গঞ্জা থানবা হোৎনরম্বা ২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগী জেনরেল পোষ্ট ওফিসতা কিলোগ্রাম ১.৩ অমসুং ২.৯৩৯ লূম্বা গঞ্জাশিং হাপ্পা কার্টুন বোক্স ২ দেল্লীদা থানবা হোৎনরম্বা নহা ২ ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা ফাগৎখিবগা লোয়ননা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

ফারবশিংদি কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী মহেন্দ্র অসেম (২৪) অপোকপা এ ভক্ত অমসুং পোৎশংবম লানপু (২৪) অপোকপা পি নিলচন্দ্রনি। মখোয় অনীনা গঞ্জাশিং অদু হৌজিক দেল্লীগী সব দর্জংদা লৈরিবা হোদাম লৈরক্তগী অসেম বোবিন (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ দিলিপকুমারদা থাননবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

## ফাখিবা আই এম জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): এন এস সী এন (আই-এম) গী ওভরগ্রাউন্দ সিক্রেট সর্ভিস এজেন্ট/ইন্টলিজেন্স অমসুং মেদিকেল ৱিংগী থবক পুবগী মথক্তা লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাইনা ঙাঙখিশকখিবশিংগী ভিদিও ক্লিপশিং লালহৌলূপ অসিদা থারম্বনি হায়দুনা ফাগৎখিবা মীওই অদু ঙসি লম্ফেল পুলিসনা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা জেলদা থাজিনখ্রে।

জেলদা থাজিনখ্রবা আই এমগী এক্টিভিষ্ট অদুগী মমিং বুংদোন রোমিও অনাল (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা বি দি সাম্মী অনাল কৌই। শুগুনু পি এসকী মনুং চনবা থুংচেং ভিলেজদগীনি। হৌজিক্না লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন থ্রীগী ক্বার্টর এ/৮০দা লৈরবনি হায়রি।

## মোরেদা শগোল ৯ পুশিন্নবা হোৎনরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): সেকমাইজিনদগী পুরকপনি হায়বা শগোল (পোনি) ৯ মোরে রোমদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বদগী তেংনৌপল পুলিসনা শগোলশিং অদুগী মরী-মখোঙ থিদোক্লবগীদমক দিটেন তৌদুনা থমখ্রে।

তেংনৌপলগী এস পি টি ঐচ ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না কাপখিবা পুৱারী ওইহৌরগনি : মোদি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না কাপখ্রে। চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তা ইহান হান্না লৈবাক অসিগী হেল্থ ৱার্কর অমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পবা মতুংদা লেপ্তুনা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথরক্লগা ঙসি অয়ুক ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০০ য়ৌবা ঙমখিবনি।

লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না কাপখিবা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বিট তৌরদুনা হায়, ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০০ হেন্না কাপ্পা হায়বসি পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি অমসুং অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি। তশেংনমক ইন্দিয়ানা পুৱারী অমা ইরে। মসি ইন্দিয়ন সাইন্স অমসুং ইন্টরপ্রাইজেস লোয়ননা ইন্দিয়ন ক্রোর ১৩০গী অপূনবা স্পিরিটনা মায় পাকপনি। এচিভমেন্ট অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী ডাক্টরশিং, নর্সশিং অমদি মরী লৈনবা পূম্নমকপু থাগৎচরি হায়খি।

চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তা ইহান হান্না ইনিদয়াদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রবা মতুং কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ক্রোর ১০ কাপ্পনবা হোৎনবদা নুমিৎ ৮৫নি চঙখি। অদুগা ভেক্সিন কাপ্পা হৌখিবা নুমিৎতগী পারগা ভেক্সিনগী দোজ ক্রোর ২০ কাপ্পদা নুমিৎ ১৩০নি, ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৩০ কাপ্পদা নমিৎ ১৫৯নি, ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৪০ কাপ্পদা নুমিৎ ১৮৩নি অমসুং ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৫০ কাপ্পদা নুমিৎ ২০৩ চঙখি। অদুগা ভেক্সিন ক্রোর ১০০ হেন্না কাপ্পদনা নুমিৎ ২৭৯ চঙখিবনি। কোৱিন পোর্টেলদগী ঙসি নুমিদাং পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবা দাটাগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবদা পূন্না কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ ১,০০,৬২,৪১,০০০ হেনখ্রে। লৈবাক অসিগী ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই ক্রোর ৭১ রোমদি কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে। অদুগা মীওই ক্রোর ২৯ লোমনা ভেক্সিন দোজ ২ শুনা কাপখ্রে । এদল্ট পোপ্যুলেসনগী চাদা ৭৫ রোমদি কোভিদ ভেক্সিনগী সিঙ্গল দোজ কাপখ্রে। অদুগা চাদা ৩১ রোমনা ভেক্সিনগী দোজ অনীমক শুনা কাপখ্রে হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা এদল্ট পোপ্যুলেসন চাদা ৫০গী মথক্তা মপূং ফানা ভেক্সিন কাপ্পা ষ্টেট অসি হিমাচল প্রদেশনা ওইরি। অদুগা এদল্ট পোপ্যুলেসনদা চাং খ্বাইদগী ৱাংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা ষ্টেটশিংদা গুজরাটনা চাদা ৮৮.৯ অমসুং কেরলানা চাদা ৪৭.৮দা লৈরি। কোৱিনদগী ফংবা দাটাগী মতুংইন্না লৈবাক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইম্ফাল ইষ্টকী ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস লমথাখ্রে

## চুড়াচান্দপুরগী অঙাংশিংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ য়েংশিন্নবা অহেনবা মেদিকেল টিম থাখ্রে : সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): মীওইবগী পুন্সি কন্নবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী অহানবা পান্দমনি হায়রদুনা চুড়াচান্দপুরদা অঙাংশিংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতাংদা হেন্না কুপ্পা য়েংশিন্নবা অহেনবা মেদিকেল টিম থাখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী সেক্রেটেরিএটতা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ুমথোঙ খুদিংদা চৎতুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবগীদমক হেল্থ দিরেক্টোরেট অমদি ক্যের ইন্দিয়া অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা গাড়ী ১৫ (ভেক্সিনেসন এক্সেপ্রেস) লমথাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না মখা তানা হায়, কোভিদ ভেক্সিনেসনগী গাড়ী লৈত্রিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪গীসু অথুবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট শেঙ্গা থুমজাগী মকোল ওইরে : প্রিপাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ : খুন্নাই অমগী থাক অসি মরী লৈনবা খুন্নাই অদুগী লৈরিবা এদ্যুকেসন হায়বদি ‘মহে-মশীল’ তম্বগী থবক অমদি মশক অদুনা লেপ্পী। এদ্যুকেসননা অনৌবা পুন্সিরোল অসিবু হেন্না চাওখৎপা লম্বী অমদা পুরকখিবনি হায়বসি মালেম পুম্বনা য়ানরবা ৱাফমনি। খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাকলোন অমদি সাইন্টিফিক কলচরগী ৱাখল্লোন অসিবু অনৌবা মহৈগী পুন্সি খোঙচৎতা য়াওরকপনি। মালেমগী ওইনা চৎনরিবা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ট ইন্দেক্স (ঐচ দি আই) অসিসু অয়াম্বদি খুন্নাই অমগী লৈঙাক্না পুথোক্লিবা য়াইফ-থৌশিল (ৱেলফেরিজম) অমদি মতমগা চুনবা মহৈগী ফজবা লিক্লম অদুদা য়ুম্ফম ওইবনি। অদুবু ঙসিগী এদ্যুকেসনবু লৈঙাকলোইশিংগী থৌওংশিং অসিনা খুন্নাই অসি লৈখা তানা মাঙহনবতা নত্তনা তুংলমচৎ অমগী য়াংলেন শরূ ওইগদৌরিবা মহৈকোলশিং অসি অতম্ননা শেঙ্গা থুমজাগী মহুমগা পাঙ্খক ওইরবা লোয়শঙ অমা ওইহল্লকপা অসি পুমথিং থিংবগী তঙাইফদবা মতম অদু য়ৌরক্লে। মরম অদুনা প্রিপাক্কী অখন্নবা টাস্ক ফোর্স অমনা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা চথরিবা মথোং-হুক্তবা থৌওংশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# গভর্ণরনা থৌবাল অমদি ককচিংগী অৱাৎ-অপাগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসন নোংমগী ওইবা খোঙচৎতা ঙসি থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরুওইবা থৌ পুবশিং উনদুনা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী হৌজিক ওইরিবা চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মতাং অমদি অৱাৎ-অপাগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।



দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি ককচিং অনীনা পুন্না শীন্দুনা গভর্ণর লা গনেসনবু দি সী থৌবালগী কমপ্লেক্সতা হরাও তরাম্না ওক্তুনা খুদোল কয়াসু তমখিবা থৌরম অদুদা গভর্ণর লা গনেসননা অথোইবা মীথুং অমদি কুমজা ২০১৭তা ষ্টেট টিচর্স এৱার্দ অদুগা কুমজা ২০১৯দা নেসনল টিচর্স ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.




গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৮.৯১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০২.০৩°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৮.৫৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪১

**HL Poll**

Q: Positivity rate hantharaklabasu NEgi Covidna sokhallaba statesinggi manungda manipur 3 subada leiri haibasi chumgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Election naksillakpagi mangoinana leingakna toukhiba thabaksing meeyamda mayek sengna khanghanfam thoktabra?

Yes 91% No 09%

**অস! লোইরেহে!**

- করিগীনো মৈসিবু পুৎপা পুৎপা তৌরিবসিবু?



- নুমিৎ তারক্লবদি মৈ পুৎপা পুৎপা তৌই হায়বসি খঙদবরা নঙ?

HL-B/7237/22

